# ইজরেলগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর এরিয়েল সারোন ঙরাং লৈখিদ্রে



*জেরুসালেম, জনুৱারি ১০ঃ* ইজরেলগী হান্নগী জেনরেল অমদি প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা এরিয়েল সারোন মশাগী চহি ৮৫ শুবদা টেল অভিবকী মনাক্তা লৈবা হোস্পিটাল অমদা ঙসি লৈখিদ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবগী ইমুংগী মীওই অমগী ৱারোল অমদা পল্লদুনা ইজরেলগী আর্মি রেদিওনা সারোন অসি শেবা হোস্পিটালদা ঙসি লৈখিদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা খ্বাইদগী হেন্না শক্তি লৈরিঙৈদা স্ট্রোক অমা নংখিবা মতুংদগী হৌখিবা চহি ৮ অসি মহাক কোমাদা লৈরকখিবনি। ইজরেলগী শক্লাইরবা ষ্টেটসমেন অসি নেম্লেল ৱার হিরো অমা ওইবগা লোয়ননা য়ুনিফোর্মদা লৈবশিং অমদি সিভিলিয়ান কয়ামরুমনা ইজরেলনা থেংনখিবা লানফম খুদিংমক্তা মায় পাকহনখিবগীদমক মহাকপু লুনা নিংনবনি।

ইং ১৯৮২ দা ইজরেলনা লেবাননদা লান্দারবা মতুংদা আরব লৈবাক অয়াম্বনা মহাকপু বটচর ওফ বৈরুট হায়না খঙনখিবনি। মিদল ইষ্ট লমদমদা মহাক্লা শিংথানিঙাই ওইবা থৌরাং কয়ামরুম য়েংশিনখিবনি। গাজা অমদি ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক খরা পেলেষ্টিনিয়ানশিংদা পীথোকখিবনি।

ইজরেলদদি সারোনবু অকিবা লৈতবা থবক খুদিংমক ঙম্বা লিদর অমা ওইনা বুলদোজর হায়রগসু খঙনবনি। লৈখিদ্রবা সারোনগী হকচাং ইং ২০০০ দা লৈখিদ্রবী মহাক্কী লোয়নবী লিলি লৈরোন চনখিবা নেগেব রাঞ্চতা মহাক্কী লোয়নবীগী ফুম্ফম নাকলদা লৈরোন চনগনি।

পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্টনা হায়বগী মতুংইন্না সারোনগী কিদনি অমদি থবোম্বী য়াওনা মরুওইবা কয়াৎ কয়ামরুম ফেল ওইখি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবদা মহৌশাগী ফিভমদা লাকখিবা মহাক্কী ব্লদ প্রেসর অমসুং থম্মোয়গী মীহুল চৎখিবা শগোলশেল নুমিৎতগী ফিভম তারকখিদবনি। হোস্পিটাল ওফিসিয়েলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না হৌখিবা চহি ৮ অসিদা সারোনদা ওইরকখিবা হকচাংগী ফিভমশিং অদু ওইবদা কনাগুম্বা অমত্তা অশুক শাংনা পুরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইং ১৯৮২ দা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ইজরেলদা লান্দাবগী মরুওইবা থৌরাং পুন্নমক মহাক্লা শীনখিবনি। লানফম অদুদা লেবাননগী খৃষ্টান মিলিসিয়ামেনশিংনা ইজরেলগী মপাং ওইদুনা বৈরুটকী রিফ্যুজি কেম্প অনিদা পেলেষ্টিনিয়ান চা কয়ামরুম হাৎখিবনি।

# মহৈরোই চা কয়া কনখিবা নুপামচা অমা থৌনা ফবগী মনা পীখ্রে



*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ১০ঃ* স্যুসাইদ বোম্বর অমবু থৎনবা হোৎনবদা মশাগী পুন্সি মাঙখিবা অদুমকপু মহৈরোই চা কয়াগী পুন্সিদি কল্লম্বা এটজাজ হাসন হায়বা মশাগী চহি ২০ শুদ্রিবা নুপামচা অমদা পাকিস্তানগী খ্বাইদগী ৱাংবা থৌনা ফবগী মনা লাম্থোক্তুনা ইকাই খুন্নবা উৎখ্রে।

লৈখিদ্রবা মতমদা মশাগী চহি ১৫ দা ঙাইখিবা এটজাজ হাসন অসি খাইবর পাখতুনখ্বা প্রোভিন্সকী হঙ্গু দিষ্ট্রিক্টতগীনি। স্যুসাইদ বোম্বর অমনা মহাক্লা তম্লিবা স্কুল অদুদা এটেক তৌবা লাকপদা স্কুল মনুংদা লৈরিবা মহৈরোই চা কয়াগী পুন্সি কন্নবগীদমক হাসননা স্যুসাইদ বোম্বর অদুবু খামখিবনি। স্কুলগী গেট মক্তদা স্যুসাইদ বোম্বর অদুনা মশাগা কোন্ননা বোম পোকখাইহল্লকপদা হাসনসু য়াওনা শিখিবনি। থৌদোক অদুদা মখোয় অনি নত্তনা কনামত্তা শোকপা শিবা য়াওখিদে হায়রি।

পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফকী ওফিসতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা প্রসিদেন্ট মামনুন হুসেইনদা সিটারা–ই–সুজত অসি পীদুনা এটজাজ হাসনবু সহিদ মিংথোল ফংহন্নবা অয়াবা লৌখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

সহিদ এটজাজগী মথৌনানা মহৈরোই চা কয়াগী পুন্সিবু কল্লমদুনা লৈবাক নিংবা অমদি থৌনা লৈবগী অরংবা খুদম অমা মহাক্ল থনগ্লে হায়নসু হৌখিবা ইরাইদা থোক্লকখিবা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ময়ুমদা ওফিসিয়েল অমনা হায়খিবদা হাসনগী ইমুংগী মীওই অমনা লেমজনিঙাই ওইরবা মনা অসি পাকিস্তানগী নেস্নেল দে ওইরিবা লাক্লিবা মার্চ ২৩ দা লৌগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# টিবেটতা মৈজাওনা য়ুম ১০০ রোম তুমখ্রে



*বৈজিং, জনুৱারি ১০ঃ* খা–নোংচুপ থংবা চাইনাদা লৈবা থাইনগী টিবেটান টাউন অমদা মৈজাও হৌদুনা চাকপদা অয়াম্বনা উনা শাবা য়ুম ১০০ হেন্না তুমখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসি য়ুনান প্রোভিন্সকী সাংগ্রি–লা কন্ত্রিগী দুকেজোংদা থোকখিবনি হায়রি।

অপিকপা লম্বী মচা–মশুশিং য়াওনা ফজরবা টাউন অসি লমকোইবশিংনা য়াম্না য়েংনিংবা চহি ১৩০০ লোম শুরবা টাউন অমনি। হৌজিক ফাওবদা অশোক–অপন কয়াম য়াওখ্রবগে হায়বগী পাউদি ফংদ্রি।

লোকেল মেদিয়ানা হায়বগী মতুংইন্না মৈজাও অদু ফয়ার ফাইটর, পুলিস অমদি ভোলুন্টিয়ারশিং পুন্না লিশিং ২ রোমনা কন্না হোৎনদুনা মুত্থৎখি হায়রি।

মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইদুনা টাউন অদুদা লৈবা মী অয়াম্বা হোন্দোকখি। চাউরাক্লা মৈ চাকপা অদুদা য়ুৱান মিল্লিয়ন ১০০ রোমগী পোৎ–চৈ মৈ চাকখ্রে হায়রি।

মৈ অদু করম্না চাক্লকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু পাউ অমনা হায়বদদি মৈ অদু গেষ্ট হাউস অমদগী হৌরকপা ওইরম্বা য়াই হায়না মায়গৈ খরদগী ফোঙদোক্লখি।

টাউন অদুদা লৈবা হে য়ু হায়বী নুপী অমনা অহৌবা পোকখাইবগুম্বা মখোলশিং তারকপদগী মহাক মীকপ থোক্লকখি হায়রি।

মৈ অদু অসুক্কী মতিক চাওখ্রে। নুংশিৎসু অসুক্কী মতিক শিংলি। লোয়না মৈ চাকপসু অসুম হেনগৎলকখি। ঙাইহাক লৈরগদি ফয়ার ফাইটরশিং থুংলরে। অদুবু মখোয়গী ফয়ার ইঞ্জিনশিং অদু টাউন অসিগী অপিকপা লম্বীশিংদা চংশিনবা য়াদবনা মখোয় করিমতা তৌবা ঙমখিদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

দুকেজোননা লৈরিবা মফম অদু ইং ২০০১ দা সাংগ্রি–লা হায়না নৌনা মমিং থোনখিবদগী লমকোইবশিং লাকপা য়াম্না হেনগৎলক্তুনা রিভেন্যু ৱাংনা ফংলকখিবনি।

# ৱেষ্ট ভর্জিনিয়াদা কেমিকেল য়ুখিবদগী ঈশিং শীজিন্নবা য়াদ্রে

*ভর্জিনিয়া, জনুৱারি ১১ঃ* ৱেষ্ট ভর্জিনিয়াগী কোনুং মনাক্তা চেনবা তুরেল অমদা কেমিকেল য়ুশিনখিবদগী তুরেল অদুগী ঈশিং শীজিন্নবা য়াদবগা লোয়ননা চার্লসটনগী অকোইবদা মাইল ২০ না কোনবা মফমশিংদা মীয়ামনা ভোট্টলদা হানবা ঈশিং লৈদুনা শীজিন্নরে। টোটিদগী থোক্লকপা ঈশিং থক্তনবা ওঠোরিটিনা মীয়ামদা ৱার্নিং পীরে হায়রি।

কন্টি ৯ দা ৱাটর এদভাইজরিনা স্কুলশিং থোঙ লোলহল্লে অমদি ললোন–ইতিক তৌবশিং থিংজিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট লেজিসলেটিভ সেসন অমসু কেন্সেল তৌখ্রে।

কোইলা শেম শাবগী থবক্তা শীজিন্নবা ফোর্মি এজেন্ট ওইবা কেমিকেল অসি ফ্রিদম ইন্দষ্ট্রিজগী টেঙ্ক অমদগী হৌখিবা শগোলশেলদা তুরেল অদুদা য়ুশিনখিবনি হায়রি।

ওফিসিয়েলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না তুরেল অদুদা কেমিকেল য়ুশিনখিবা অদু কদাই ফাওবা খুদোংথিনিঙাই ওইগদগে হায়বদি চপ চানা খঙদ্রি। অদুবু অশোই–অঙাম থোক্তনবা ৱাটর এদভাইজরিনা অকনবা থবক লৌখৎখিবনি। য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানসু ৱেষ্ট ভর্জিনিয়াদা দিজাষ্টর থোক্লে হায়না লাউথোকপীনবগী হায়জরকপা অদু য়াখিবগা লোয়ননা ৱেষ্ট ভর্জিনিয়াদা ফেদরেল এইদ পীনবা থৌরাং তৌখ্রে।

ৱেষ্ট ভর্জিনিয়া অমেরিকান ৱাটরগী প্রসিদেন্ট ওইবা জেফ মক ইন্টয়ারনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা ঐখোয়না য়ুশিনখ্রবা শরুকশিং অসি চপ চানা তেংথোক্লগা চাংয়েংগী থবক ফজনা লৌখৎত্রিবমখৈ খুদোংচাদবা অসি কয়াম কুইনা মায়োক্লখিগনি হায়বা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চার্লসটনগী মেয়োর দেনি জোন্সনা হায়খিবদা চাওনা য়েংবদা য়ুশিনখিবা অদু সিটি অসিদা লৈবা মীওইশিংদা শাথিনা অমাংবা থোকহনবা য়াবা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফ্রিদম ইন্দষ্ট্রিজনা হায়বগী মতুংইন্না ৪–মেথাইলসাইক্লোহেকসেন মেথানোল অসি হকচাংদা চঙখ্রবদি উনশা অমদি মিৎতা অমাংবা থোকহনবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফার্ম অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়বগী মতুংইন্না ফেদরেল ওফিসিয়েলশিংগা খুৎশম্নদুনা অশোইবা অসি কোকহন্নবা মথৌ তাবা খোঙথাং পুন্নমক লৌখৎনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চার্লসটনদা লৈবা ষ্টোর অমদা দুকান্দারশিংনা বোট্টলদা হানবা ঈশিং পৈদুনা য়োনবদা মীয়ামনা ওমশিন্দুনা লৈনখ্রে হায়না মফম অদুদা মথৌ তৌবা পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরকখি।

এল্ক তুরেল মপালদা নাতৈ চাদবা মনম অমা নম্লকপদগী ষ্টেট অসিগী অকোইবগী ফিভম ঙাক শেল্লিবা দিপার্টমেন্টনা রিপোর্ট অমা ফংবগা লোয়ননা কেমিকেল য়ুশিনখিবগী ৱাফম অসি খন্নরকখিবনি। ওফিসিয়েলশিংনা থিগৎপদা য়ুরবা ষ্টোরেজ য়ুনিট অমা থেংনখি হায়নসু ফ্রিদম ইন্দষ্ট্রিজগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা য়ুরকপদা হেন্দোক্তনবা খাজিনবা মফম অমদগী পাথোরক্তুনা কেমিকেল অদু তুরেল অদুদা য়ুশিনখিবনি। খাজিল্লিবা মফম অদুদা য়ামদ্রবদা লিটর ১৮২,০০০ দি চনবনি হায়না ষ্টেট ইনভাইরোনমেন্টেল ওইবা টোম অলুজনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়বগী মতুংইন্না য়ুখ্রিবা শরুক অদু গেলোন লিশিং ৫ গুম্বা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



# মাইক টাইসননা রোদমেনবু চৈখ্রে



*সিদনি, জনুৱারি ১০ঃ* এন বি এগী বাস্কেটবোল লিজেন্দ দেনিস রোদমেননা হান্নগী এন বি এ প্লেয়ার কয়ামরুমগা লোয়ননা অৱাং কোরিয়াদা এক্সিবিসন গেম অমা শান্নবা চৎখিবদা অৱাং কোরিয়াবু শৌগৎতুনা ঙাংখিবগীদমক শান্নবদগী পোথাখ্রবা বোক্সিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বা মাইক টাইসননা চৈখ্রে হায়রি।

দি অনদিস্প্যুটেদ ক্রঠ হায়বা মহাক মথন্তগী প্রোগ্রাম অমবু প্রোমোত তৌবদা মহাক্লা হায়খিবদা মীরৈবাক কয়ামরুমদগী মহাক্লা পোজিটিব রেস্পোন্স ফংই অদুবু নোর্ঠ কোরিয়াদদি চৎলোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

লাক্লিবা জনুৱারী ২৫ দা সো অসি উৎনবগীদমক টাইসননা শেম শারি। পাউগী এজেন্সি অমনা হায়বগী মতুংইন্না, অৱাং কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উনগা রোদমেনগা মরুপ–মপাং ওইনৈ হায়বা খঙনা–খঙনা টাইসননা রোদমেনবু চৈখিবনি। য়েক্লবগী লমদা চৎলগা য়ু এসপু হুন্দুনা ঙাংবা অসি নমথাক তৌবগা পাক্ককনি হায়না টাইসনন রোদমেনবু হুনখি। য়ু এসতা হল্লকপদা রোদমেনবু ফাবা য়াবনি হায়নসু টাইসননা ফোঙদোকখি।

রোদমেনগী ৱাঙাং অদুনা শান্নবদগী পোথারবা অতৈ শান্নরোইশিংবুসু ফজদনা উহল্লে হায়বগা লোয়ননা শান্নরোইশিং অসি য়ু এস তা হল্লকপদা থবক অমত্তা পীদবসু য়াই অদুগা অমুক হন্না এন বি এ গা মরী লৈনহন্দবসু য়াই হায়নসু টাইসননা ফোঙদোকখি হায়রি।

# ভিটামিন 'দি' না অঙাংগী মসল কলহল্লি

*মীরোল্লিঙৈ মনুংদা মমাদগী ফংবা ভিটামিন দি না চাং ৱাংলবদি পোক্লক্কদৌরিবা অঙাং অদুগী মসল হেন্না ফনা মপাঙ্গল কনবা ওইহল্লি হায়না রিসার্চর খরনা ফোঙদোকখ্রে।*

*এন্দোক্রিন রিসার্চতা ফোঙদোখিবা ষ্টদি অসিদা হায়বগী মতুংইন্না অঙাং ৬৭৮ গী কাংলুপ অমদা চথবা চাংয়েংদা মমাগী নাওয়োমদা ভিটামিন দিগী চাং ৱাংনা লৈরবদি অঙাং অসু পোক্লক্লগা মশাগী চহি ৪ রোম শুরকপদা খুৎপায় চেৎপা হেনবগী খুদম থেংনৈ হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখ্রে।*

*য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউথাম্পতনদা রিসার্চ চথখিবা টিম অদুনা হায়বদা অঙাংগী মসলদা কল্লিবা অসি মপুন্সি চুপ্পগী ওইবসু য়াই। মীরোল্লিঙৈ মনুংদা করম করম্বা সপ্লিমেন্ট পীরগনা খ্বাইদগী ফগদগে হায়বগী চাংয়েংসু চথরি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।*

*ৱাফম অমনা নুংশা মঙালগা হকথেংনবদা মীওইবগী উনশানা ভিটামিন দি শেম্বা ঙম্মী। অমরোমদা ভিটামিন দি অসি চিঞ্জাক্কী সপ্লিমেন্ট ওইনা মীরোল্লিঙৈদা পীজরগসু ফজনা ফংহনবা ঙম্মী। মশাগী চহি ৪ শুবদা খুৎপায় হেন্না চেৎপগী খুদম অসি অঙাংশিং অদু মীরোল্লিঙৈদা ভিটামিন দিগী চাং ৱাংনা ফংখিবদগীনি হায়বা খঙবা ঙম্মী। হায়রিবা কান্নবা অসি অঙাং অদুনা মপুং ফারক্লবা ফাওবদসু অসুম্মক লৈবা মরমনা মসি পুন্সি চুপ্পগী ওইবসু য়াই। অদুগা ভিটামিন দিগী অতোপ্পা কান্নবা অমনা চহি য়াম্লকপদা মসলগী মাস হৃষ্থখিবা অমদি নহা ওইরিঙৈদা নাগন–য়েক্কনবা অসিদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না রিসার্চ লুচিংশিংগা ডাক্তর নিকোলাস হার্বিনা ফোঙদোকখ্রে।*

# মালেসিয়াদা প্লেন কায়বদা ৩ হিংহৌরে

*ক্বালালম্পুর, জনুৱারি ১০ঃ* মালেসিয়াদা অপিকপা প্রাইভেট প্লেন অমা কায়বদা মীওই অহুম শোক্লে হায়বগা লোয়ননা অহুম অদুগী মনুংদা অনিগী ফিভম লুরি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল ফ্লায়িং ক্লব অমনা শীজিন্নবা সেস্না ১৭২ হায়বা প্লেন অদু ঙরাং ইরাইগী অহিংদা কায়বা মতমদা প্লেন অদুদা মীওই অহুম তোংখি হায়রি।

মালেসিয়াগী কোনুং কোলালম্পুরদগী হেক অৱাংদা লৈবা উমংগী মফম অমদা প্লেন অদু কায়খিবনি হায়নসু লোকেল পুলিস চিফ অব্দুল রহিম অব্দুল্লাহনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাইগী অথেংবদা এরোপ্লেন কায়খিবগী পাউ ঐখোয়দা ফংখি। অদুগা খুদক্তা মী থিবা অমসুং কনবগী ওপরেসন হৌখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকই।

মীওই অহুম অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা ঐখোয়না থেংনরকখিবনি হায়নসু অব্দুল রহিমনা ফোঙদোকখ্রে।

এরোপ্লেন কায়বগী থৌদোক অসিদা শোক্লেবা অহুম্মক পব্লিক হোস্পিটাল অদুদা পুরক্লবা হোৎনবদা পুং ২ রোম চংখি হায়রি।

এরোপ্লেন অদু করম্না কায়খিবনো হায়বা হৌজিমক্কী ওইনদি খঙদ্রি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ৱাকৎলোইশিংদা নোংমৈ কাপশিনখ্রে

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ১০ঃ* ৱাকৎ ইরাংনা থল্লবা বেঙ্কোক্তা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎপশিংদা মশক খঙদবা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা নোংমৈ কাপশিনবদগী মীওই ৭ শিরে হায়না পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎলোইশিংনা অচৌবা রেল্লি অমা পাঙথোক্লিঙৈ চথরকখিবা এটেক অসিদা মীওই অমসু শোকপদগী ফিভম লুনা লৈরি হায়রি।

মমাং চহিগী নভেম্বর থাদগী থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাবু ওপোজিসনশিংনা মফম লৌথোক্লবা অকনবা ইরাং হৌরক্লিবনি।

চৈরক অসিদা ৱাকৎলোই লুচিংবশিংনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা অসিদা বেঙ্কোক্তা অচৌবা খোঙজং অমসু চংশিন্নবা শেম শারিবনি।

থাইলেন্দগী আর্মি অমসু পুলিসনা হায়বগী মতুংইন্না মখা তানা শাথিবা ইরাং থোক্লকখিগদ্রা হায়না নুংশা থিবা পোকই হায়রি।

আর্মি চিফ জেনরেল প্রয়ুঠ চান্দ ওচানা হায়বগী মতুংইন্না মুক্নরিবা মায়কৈ অনিমক অমদি মীয়াম পুন্নমক্তা ঐনা হায়জনিংবদি ঐখোয় পুন্নমক থাইলেন মচা ঙাক্তনি। অদুনা য়ারবদি খুৎ থোক্লবা অমনা অমবু হাৎন–শুনবা অসি তোকপীরো। ঐখোয়গী ৱাকল তোঙান্নবদি য়াই, অদুবু অমগা অমগদি হাৎতোক্লগুমসি হায়বসিনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থোক্লিবা ইরাং অসিদা লাম্মীনা খুৎ চংশিন্নবা হোৎনরে হায়বা তোকঙা অদুসু শন্দোকপীগনু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। কনাগুম্বা অমত্তনা কু চথনবা হোৎনবা লৈতে হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

# সি এ আরদগী ফোরেন্নরশিং হোন্দোক্কদৌরি



*বাঙ্গুই, জনুৱারি ১০ঃ* সেন্ত্রেল আফ্রিকান রিপব্লিক্তা কন্না খুৎ থোক্নরকপদগী চৎফম খঙদনা ককঙাওনদুনা লৈরবা মীরৈবাক মচা লিশিং কয়ামরুম পাইরক্কী ওইবা থৌরাং অমদা হোন্দোক্লগদৌরি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্টর্নেস্নেল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসন (আই ও এম) না হায়বগী মতুংইন্না ওর্গনাইজেসন অসিনা বাঙ্গুইদা লৈবা রিলিফ কেম্প অমদগী চাদ মচা ৮০০ লোম অহানবগী ওইনা এরোপ্লেনদা লৌথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওর্গনাইজেসন অসিনা হায়বগী মতুংইন্না সি এ আরগী য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদগী আফ্রিকা মচা পুন্না ৩৩০০০ দি হৌজিক হৌজিক মতেং মথৌ তারবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুদা মুস্লিম অমদি খৃষ্টান মিলিসিয়াশিংনা কন্না খুৎ থোক্নরকখিবা অদুবু লোইশিলহন্নবা পান্দমদা সি এ আরগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট মাইকেল জোতোদিয়া মফম থাদোকখ্রবনি।

জোতোদিয়া অসি খৃষ্টাননা নম্না তাবা লৈবাক অদুদা ইং ২০১৩ গী মার্চতা ফ্রাঙ্কোইজ বোজিজেদগী লৈঙাক শক্তি মুন্দুনা অহানবা মুস্লিম লিদর ওইরকখিবনি। চৎখিবা চহিগী দিসেম্বর থাদগী হৌরকখিবা খুৎ থোক্লবা অসিনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই লিশিং অমরোমদি শিখ্রবনি। অদুগা অপুনবা মীশিংগী চাদা ২০ লোমসু ময়ুম–মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নহনখ্রবনি।

হৌজিক আফ্রিকান য়ুনিয়ননা লৈবাক অদুদা পিছকিপ্পর লিশিং ৪ থাজিনখিবগা লোয়ননা ফ্রাঞ্চনসু শান্তি পুরকপদা তেংবাংনবা লান্মী ১৬০০ সি এ আরদা থাজিনখ্রবনি হায়রি।

# বাংলাদেশকী মীখল রুসিয়ানা শৌগৎপা উৎখ্রে

*ধাকা, জনুৱারি ১০ঃ* বাংলাদেশতা হৌখিবা জনুৱারী ৫ দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুবু রুসিয়ানা শৌগৎপা উত্তুনা মীখল অদুগী মতুংদগী শেম্লক্লিবা গভর্নমেন্ট অসিগা শেমগৎ শাগৎপদা মপাং ওইনবগী মরী মখা তানা শমথনবা থৌরাং তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।


মীখল অদুবু মরুওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা বোয়কোট তৌদুনা পাঙথোকহন্দনবা শিনখিবা অদুবুসু রসিয়ানা পেন্দবা ফোঙদোরকখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়বগী মতুংইন্না লৈবাক অসিনা বাংলাদেশ গভর্নমেন্টনা শেমগৎ–শাগৎপদা মপাং ওইনবগী মরী মখা তানা চথবা শেম–শারি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান

শামুদু পাখৎতুনা চেল্লকপদা মফম মরাং খংদ্রে, শামুনা চেনবদু হঙোই অমখক্লা উরম্মি ———



শামুনা চেনবদু উরগা কৌরক্লম্মি ।।




গঙ্গা সুৎতা ঙাওরবা হঙোই অমখকননি শামু কৌরক্লি বদু, য়াম্মশু শিংবা হঙোইনি ।।




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-121

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | 6 | | | | 4 | | |
| | | 3 | | | | | 6 | |
| 9 | | | 6 | | | 7 | 2 | |
| | | 1 | | | 4 | 2 | 5 | |
| | | 4 | 9 | 8 | | | | |
| 7 | | | | | | 1 | | |
| | | | | 1 | | | 9 | |
| 5 | | | 7 | | 3 | | | |
| | | | 5 | | | | | |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 6 | 4 | 1 | 8 | 2 | 9 | 5 |
| 2 | 5 | 1 | 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 8 |
| 9 | 4 | 8 | 5 | 7 | 2 | 6 | 1 | 3 |
| 6 | 3 | 2 | 7 | 8 | 9 | 1 | 5 | 4 |
| 7 | 8 | 4 | 1 | 5 | 6 | 9 | 3 | 2 |
| 5 | 1 | 9 | 2 | 3 | 4 | 7 | 8 | 6 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 9 | 1 | 3 | 2 | 7 |
| 8 | 9 | 3 | 6 | 2 | 7 | 5 | 4 | 1 |
| 1 | 2 | 7 | 3 | 4 | 5 | 8 | 6 | 9 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*